# কর্নাটকা হায় কোর্টনা সিয়াওমিবু ইদিনা ফাজিনখিবা একাউন্টশিংদগী কন্দিসন খরদা শেল শীজিন্নবা য়াহনখ্রে

বেঙ্গলুরু, মে ৬ (এজেন্সী):

এমএস সিয়াওমি টেক্নোলোজি ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদকী শেনফম লুপা ক্রোর ৫,৫৫১.২৭ ফাজিনখিবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটকী ওর্দর কর্নাটকা হায় কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে।

ইদিনা ওর্দর অদু হৌখিবা এপ্রিল ২৯ দা থোকখিবনি। ফোরেন একজেঞ্জ মেনেজমেন্ট এক্ট (এফইএমএ), ১৯৯৯ গী প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনৈ হায়বা মরালদা ইদিনা কম্পেনি অসিগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎখিবনি।

শীংনখিবা ওর্দরদুগী মখাদা ফাজিনখিবা বেঙ্ক একাউন্টশিং পেটিস্নরনা কম্পেনিগী নুমিৎ খুদিংগী ওইবা তঙাই ফদবা এক্তিবিটিশিং পাঙথোক্নবগীদমক ওপরেট তৌবগী ফিভমদা এপ্রিল ২৯ দা থোকখিবা ইদিগী ওর্দর অদুবু জষ্টিস হেমান্ট চন্দনগৌদরনা শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টে তৌখি।



মেটর অদুগী মখা তাবা হিয়ারিং মে ১২ দা পাঙথোক্নবা কোর্টনা মতম লেপখ্রে। শগোলশেল নুমিৎকী হিয়ারিংদা পেটিস্নরগী কাউন্সেলনা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি, মদুদি সিয়াওমি টেক্নোলোজি ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদনা ইন্দিয়াগী মপানদা লৈবা কম্পেনি অহুমদা টেক্নোলোজি রোয়েল্টি পীখিবা অদুদা এফইএমএগী প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনখিবা লৈতে।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনসু অসিগুম্বা পেমেন্টশিং লোফুল ওই হায়না লৌই হায়নসু মখোয়না সবমিট তৌখি। পেমেন্টশিং ভেল্যু এদেদ এক্তিভিটি অমনি হায়বা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টগী দিস্প্যুট রিজোলুসন পেনেলসকী ওর্দর পল্লদুনা পেটিস্নরগী কাউন্সেলনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা হায়খি, মদু ভেল্যু এক্তিভিটি অমনি। যুএসতা লৈবা কম্পেনিদুমক্তদা অসিগুম্বা পেমেন্টশিং তৌখিবা ইন্দিয়াদা লৈবা অতৈ মোবাইল ফোন মেন্যুফেকচররশিংগী মায়োক্তা অসিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে হায়নসু পেটিস্নরগী কাউন্সেলনা কোর্টতা থমখি।

পনবা য়াবদি, সিয়াওমিগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লৈরিবা লুপা ক্রোর ৫,৫৫১.২৭ গী শেনফম ফাজিল্লে হায়না এপ্রিল ৩০ দা ইদিনা লাউথোকখিবনি।

এজেন্সি অসিনা ওফিসিএল ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা কম্পেনি অসিনা লোনা য়াদবা মওংদা থাখিবা শেনফমশিংগা মরী লৈননা ইদিনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুবা হৌরে।

ইদিনা চাইনিজ মোবাইল মেন্যুফেকচরর অসিগী ইন্দিয়ান সবসিদরিবু মপানদা লৈবা এন্টিটি অহুমদা ফোরেন করেন্সি থাবগী মরাল শীখিবনি।

# ফেক লোন এপ স্কামদা চেন্নবা মীওই অমা ওরিষা পুলিসনা য়ুপিদগী ফারে

ভুবনেশ্বর, মে ৬ (এজেন্সী):

ফেক লোন মোবাইল এপ অমগী খুত্থাংদা মীয়ামদা নমথাক তৌরগা শেল লৌথোক্লম্বদগীদমক ওরিষা পুলিসকী ইকনোমিক ওফেন্স ৱিং (ইওদব্লিয়ু) না উত্তর প্রদেশকী গাজিয়াবাদতগী আইদব্লিয়ুটি ইন্দিয়াগী প্রোপ্রাইটর ফারে হায়না ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মহম্মদ জাভেদ সাইফি কৌবা একুস অদু মীয়ামদা ইন্টরেষ্ট ৱাংনা শেল শানবা অমদি দিফোল্টরশিংবু অকনবা থৌওংশিং চথদুনা হরাসমেন্ট পীবদা লৌখিবা থৌদাং কয়াগা মরী লৈননা এপ্রিল ৪ দা ফাখিবনি।

আরবিআই এক্টকী মখাদা নন-বেঙ্কিং ফাইনান্সিএল কম্পেনি (এনবিএফসি) শিংগুম্না রেজিষ্টর তৌদবা লোন এপশিং ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ফঙ্কসন তৌরম্বগা মরী লৈননা ভিক্তিমশিং অমসুং রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মীওই অদুবু ফাখিবনি।

অসিগুম্বা লোন এপ অমা ওইরিবা কোকো অমসুং জোজো কৌবা মসিগী সিষ্টর ভর্জন অমগী মতাংদা ইওদব্লিয়ু ভুবনেশ্বরনা ইনভেষ্টিগেসন চথখি।

ওরিষাগী মীওই কয়া য়াওনা মীওই লাক্ষ ১.৫ হেনবনা নমথাক্কী লোন এপ অনী অদু দাউনলোদ তৌখি। পুলিস ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকপদা আইদব্লিয়ুটি ইন্দিয়ানা থাঙ্গৈশেংনা লৈতবা সেল কম্পেনি অমা ওইনা থবক তৌদুনা পৈশা থৈদোক থৈজিনগী থবক তৌখি অমসুং মসিগী প্রোপ্রাইটর সাইফিনা মদুদগী কম্মিসন ফঙখি।

আইদব্লিয়ুটি ইন্দিয়াগী একাউন্টগী খুত্থাংদা লুপা ক্রোর কয়া ট্রাঞ্জেক্সন তৌখ্রে হায়বসি পুলিস খঙবা ঙমখি। একাউন্ট হোল্ডর ওইরিবা সাফিনা ট্রাঞ্জেক্সনশিং অদুগী মরমদা পেন্নিংঙাই ওইবা পাউখুমশিং পীবা ঙমদে। ইনভেষ্টিগেসন অদুদা এপশিং অদুনা কষ্টমরশিংদা মখোয়গী একাউন্টশিংগী খুত্থাংদা কষ্টমরশিংদা লুপা লিশিং ৩ দগী ৫ ফাওবগী অপীকপা লোন এমাউন্টশিং ওপরেট তৌখি হায়বসি ইইওদব্লিয়ুনা খঙলকখি।


Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd.

(A Government of Manipur Enterprise)

Governor Road, Paona Bazar, Imphal 795 001, Telephone: 0385-245 1495

NOTICE

Imphal, the 4th May, 2022

No. MHHDC-80/NHEXPO/2022: In continuation of this Corporation's earlier Notice of even number dated 25/03/2022, it is to inform to all the weavers/entrepreneurs/societies, etc who have applied for the event being held at Delhi and Kolkata that O/o the Development Commissioner for Handloom, Ministry of Textile, Government of India has, vide their office letter No. 4/40/2021/DCH/PM&E/Manipur/DHT dated 29/04/2022, approved new schedule for organising the National Handloom Expo as detailed below.

| Sl. | Name of Expo | Venue | Date |
|---|---|---|---|
| 1. | National Handloom Expo | Janakpuri, New Delhi | 18.05.2022 to 31.05.2022 |
| 2. | - do - | Dhakuria Shopping Complex, Kolkata | 23.05.2022 to 05.06.2022 |

Therefore, all applicants may contact Shri Th. Ravi Singh, Manager, PME, Paona Bazar, Imphal [Tel. No. 7005210972] for further information.

Sd/-
(E. Jeeten Singh)
Managing Director

HL-P/2652/7


# 'মোস্কশিংদা লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নবা হায়বসি ফন্দামেন্টেল রাইট নত্তে'

প্রয়ক রাজ, মে ৬ (এজেন্সী):

লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নরগা অজান পীবা হায়বসি ফন্দামেন্টেল রাইট অমা নত্তে হায়না ইরাই নুমিত্তা এল্লাহাবাদ হায় কোর্টনা রুল্লিং পীখ্রে।

নুরি মসজিদতা লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নরগা অজান থাবগী অয়াবা পীবিনবা হায়জরদুনা বুদাউনদা লৈবা ইরফান কৌবা মীওই অমনা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমা রিজেক্ট তৌরদুনা কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কোর্টকী ৱাফম অসিগা লোয়ননা হৌজিক মোস্কতগী লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা হায়বসি ফন্দামেন্টেল রাইট অমা নত্তে হায়বসি লো অমা ওইনা খন্নরে। হৌজিক্কী পিটিসন অসি অরানবা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা থারকপদা কোর্টনা মসিবু দিসমিস তৌরে হায়না রুল্লিং অদুদা পনখি।

মখা তানা কোর্টনা হায়খি, মদুদি অজান অসি ইস্লামগা তৎন-থানবা য়াদ্রবসু লাউদ স্পিকরশিংগী খুত্থাংদা মসিবু তাহনবা হায়বসি লাইনিং লাইশোলগী শরুক অমা ওইবা য়ারোই।

অজানবু ইস্লামগা থানবা য়াদ্রবা অমনি হায়না লৌবা তারবসু মসিবু লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নরগা তাহনবা হায়বসি ইস্লামগী শরুক অমা নত্তে হায়না জষ্টিস বিকে পিটলা অমসুং জষ্টিস বিকাসকী বেঞ্চ অমনা হায়খি।

পিটিসন অদুগী রুল্লিং পীরদুনা এল্লাহাবাদ হায় কোর্টকী জজ অনীগী বেঞ্চনা মখোয়গী রুল্লিংদা পনখি, মদুদি মমাঙদসু কোর্টশিংনা লাউদ স্পিকর অমদা মীয়ামদা লাইশোলগী মরমদা খঙহনবা হায়বসি ফন্দামেন্টেল রাইট অমা নত্তে হায়না রুল্লিং পীবা লৈখ্রে।

অজান অসি নোংমদা মঙারক প্রিস্ক্রাইব তৌবা লাইশোল পাঙথোক্কবগী ইস্লামিক কোলনি।

মুজিন হায়বসিনা নুমিৎ খুদিংগী মোস্ক অমদা লাইশোলগীদমক্তা মঙারক কোল পীরিবা মীওই অদুবুনি হায়খি।

# নুপা অমগী চাকখাওদগী লিক কোলশিং রিকোভর তৌখ্রে

চেন্নাই, মে ৬ (এজেন্সী):

চেন্নাই পুলিসনা মশাগী চহী ৩২ শুরবা নুপা অমগী চাকখাওদগী লুপা লাক্ষ ১.৪৫ কী ওইগদবা লিক কোলশিং রিকোভর তৌখ্রে। মীওই অদুনা লিক কোলশিং অদু মে ৩ দা মহাক্কী মরুপ অমগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা ইদ সেলেব্রেসনদা বিরয়ানিগা লোয়ননা য়োৎশিনখিবনি হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা ডাক্তরশিংনা মীওই অদুবু এনেমা তৌহন্দুনা মহাক্কী চাকখাওদগী লিক কোলশিং অদু রিকোভর তৌখি।

মীওই অদুগা লোয়ননা মহাক্কী গর্ল ফ্রেন্দবু তিন্নবা মীওই অমনা ময়ুমদা ইদ সেলেব্রেসন য়াওনবা ইনভাইট তৌখিবনি। থৌবু অদুনা দাইমন্দ নেক্লেস অমা, গোল চেন অমা অমসুং দাইমন্দ পেন্দন্ট অমা য়াওনা লুপা লাক্ষ ১.৪৫ কী লিক কোলশিং ময়ুমদগী খঙহৌদনা মাঙখ্রে হায়বসি খঙবা ঙমখি।

মহাক্না পুলিসতা লিক কোলশিং অদুগী মতাংদা মহাক্না চহী ৩২ রোমগী নুপা অদুদা চিংনবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। নুপী অদুনা ভিরুগাম্বাক্কম পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি অমসুং পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথুবদা নুপা অদুনা ক্রাইম অদু য়াজখি।

প্রাইভেট মেদিকেল সেন্টর অমদা স্কেনিং তৌবদা ডাক্তরশিংনা নুপা অদুগী চাকখাওদা লিক কোলশিং লৈরে হায়বসি খঙবা ঙমখি অমসুং য়োৎশিনখিবা লিক কোলশিং অদু লৌথোক্নবা নুপা অদুবু এনেমা তৌহনখি।

ভিরুগাম্বাক্কম পুলিসনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না লিক কোলশিং অদু শগোলশেল নুমিত্তা রিকোভর তৌখি। লিক কোলশিং ফংলবা মতুংদা নুপী অদুনা মহাক্কী কমপ্লেন্ট ৱিদ্রো তৌখি অমসুং মহাক কেস অদু মখা চথুবা পামদে হায়খি। নুপা অদু ইদ পার্টি মনুংদা য়ু থকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি।


Resonance® Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
* 45 Days Crash Course for NEET 2022
(Commencement Date - 10th May, 2022)
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class-IX to XII (NEET & JEE)
Commencement date-15th May, 2022
ENROLL TODAY!
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan
PHYSICS FACULTY | BIOLOGY FACULTY | MATHS FACULTY | CHEMISTRY FACULTY



Er. Sundaram Kr. B.Tech (CSE), PGPM/MBA, More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth) Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics, Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)
Mr. Vishal Kumar M.Sc. (Life Science), 10 years experience as Biology faculty for NEET
Mr. Basant Kumar Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur, Over 25 years of experience for JEE
Mr. Sujal Baroi B. Tech, Electrical Engineering, 6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Siliguri
ADMISSION THROUGH SCHOLARSHIP TEST
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
[Office Hour - 2:00 p.m. to 8:00 p.m.]
Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL-B/7624/28/4-9/5 HL-B/7624/28/4-9/5



SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
Class Commencing on: 9th May, 2022
CLASS-X BOSEM 2nd Batch
CLASS-XII Sc. COHSEM
OUR POSITION HOLDERS of HSLC EXAM 2020
Class Timing: 4:00pm-7:30pm



3rd POSITION BOBOSANA | 4th POSITION RANJAN | 6th POSITION JESSICA | 8th POSITION THOIHENBA | 9th POSITION YAIPHABA
12th POSITION RABINDRA | 14th POSITION REONA | 20th POSITION MANGAL | 22nd POSITION ARJUN | 90 % NGAITHOIBA
Hostel available for Boys & Girls, Van Services
# 841385751 & 9862712287
HL-P/2400/1 (27/4 to 28/5)



GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
SPOKEN ENGLISH Govt. Regd. No. 2102
Better Education, Better Life
Come and Join at anytime
YOUR KNOWLEDGE IS THE WAY TO YOUR SUCCESS
New Classes are going on come and join at anytime, Special For Students, college students, house wives, employees, teachers, Seniors,etc.



English Course Details (Sir Tejkumar)
Grammer | Vocabulary | Pronunciation | Listening |
Interview Skills | Daily Conversation | Personality
Plz. Viz. GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER Paona Bazar, Gourahari Market 2nd Floor, Behind Polo Ground, Near Hotel Khristina
Or Plz Contact:- 8132904426, 9089825142 Or Whatsapp on :- 9089825142
Follow us On Facebook - facebook.com/globalspokenanddotcom/
(HL-B/7634/6-10,12-30(alt



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR**

**Ref. Mutation Case No. 0169/SDC/Kumbi/2022 Dt. 4/5/2022**

1) Sanasam Birkumar Singh, S/o Sanasam Lokechandra Singh of Wangoo Ahallup Sanasam Leikai -Petitioners

-Vs-

Khangembam Ningol Sanasam ongbi Sunti Devi, W/o Nodonchra Sing of Wangoo Khunjao -O.P. Pattadar

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Kumbi, 5th May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬১-ৱাঙুদা লৈবা পাট্টা নং ৪৮ (অরিবা) অমসুং ৪৩৩ (অনৌবা) সীএস দাগ নং ৪২২৩ এরিয়া ০.৩২ একর চাওবা লম-ইস্থোল অঙনফৌ, ফৌরেল লৌফম, তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Kumbi

HL-P/1337/7



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. : Mut. Case No. 261 of 2022**

Shree Yumnam Tama Devi, D/o (L) Y. Ibotombi Singh of Langthabal Lep Makha Leikai

-Vs-

Shree Late Yumnam Leiphon Devi, W/o (L) Y. Ibotombi Singh of Langthabal Lep

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 6/05/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 76-Langthabal পাট্টা নং ....... (অরিবা) 472/761 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 1091/1532 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.06 একর। হেক্টর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 14/05/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2651/7



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 334/SDC/NBL of 2022**

1) Asem Deben Singh, S/o Chandramani Singh of Pukhrambam Maning Leikai

2) Asem Dewan Singh, S/o Himaloy Singh of -Do- – Petitioner

-Vrs-

(Late) Lourembam Ibotombi Singh, S/o (L) Angou Singh of Lourembam –O.P.

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Dtd. 05/05/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 11-Lourembam Patta No. 315 (New) Dag No. 378 an area of 0.84 acres Taothabi Class হায়রিবা Loufam অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Loufam অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/2650/7



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, XIII, MANIPUR**

**Ref: Mut. Case No. 7/AS&SO/XIII Date 6/5/2022**

Chingakham Kyamba Meetei, S/o (Late) Chingakham Achou Meetei of Wangkhei Keithel Ashangbi

-Vrs-

Late Chingakham Achou Singh, S/o Agni Singh of Wangkhei Keithel Ashangbi

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Imphal, 26/04/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং 301 অরিবা 163 অনৌবা দাগ নং 1209 এরিয়া .31 একর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার Chingakham Achou Singh মৃত্যু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইস্থোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 13/5/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-XIII** Manipur

HL-P/2533/7



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER -IX, MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 98/AS&SO/IX-2022 Date 4/05/2022**

Leikhuram Memi Devi, W/o (Late) L. Indramani Singh of Lamphel Sanakeithel – Petitioners

-Vs-

(Late) Naorem Memma Devi, W/o Shamugou Singh of Lamphel Sanakeithel – O.P.

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Imphal, 6/05/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 91-(A) Lamphelpat পাট্টা নং. E অরিবা ৬৮৬অনৌবা দাগ নং. ৬২৭৩ এরিয়া 0.0060 hect চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার নং. Naorem Memma Devi, W/o Shamugou Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরি মতাশিং অমসুং ইস্থোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৪-৫-২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IX, Manipur**

HL-P/1338/7



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER -IX, MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 92/AS&SO/IX-2022 Date 27/04/2022**

Phurailatpam Bemma Devi, D/o Ph. Ibohalbi Sharma of Brahmapur Thangapat mapal – Petitioners

-Vs-

(Late) Laimayum ongbi Tharo Asaangbi Devi, W/o (Late) L. Ibobi Sharma of Brahmapur Bamol Leikai – O.P.

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Imphal, 4/05/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 38-Wangkhei Panchim Brahmapur পাট্টা নং. 325 অরিবা 364 অনৌবা দাগ নং. 409 এরিয়া .19 acre চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার নং. Laimayum (O) Tharo Asangbi, W/o (L) Ibobi Sharma মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরি মতাশিং অমসুং ইস্থোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১-৫-২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IX, Manipur**

HL-P/2534/7